# মপাঙ্গল য়াওদ্রবশিংনা মপাঙ্গল কনখৎহন্নবনি হায়দুনা ভারত জোরো যাত্রাগী খোঙচৎ শরুক য়ারি





ন্যু দেল্লি, নবেম্বর ২১ (এজেন্সী) :
লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা কোংগ্রেসকী হান্নগী প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীবু হুল্লদুনা হৌজিক হৌজিক রাহুল গান্ধীনা লুচিংদুনা চৎলিবা খোঙচৎ ভারত জোরো যাত্রাদা য়াওরিবা মীওইশিং অসি মপাঙ্গল য়াওদ্রবা মীওই ঙাক্তনি। মপাঙ্গল অমুক হন্না কনখৎহন্নবগী পান্দমদা খোঙচৎ অসিদা শরুক য়াশিল্লিবা অসি উবদা নোক্লিংবা ফাওই। মরমদি খোঙচৎ অসিবু লুচিংলিবা রাহুল গান্ধী মশাশু মপাঙ্গল য়াওদ্রবা মীওই অমনি হায়রি।

গুজরাট মীখলগা মরী লৈননা সুরেন্দ্রনগরদা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী রেল্লি অমদা মহাক্না ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মখা তানা হায়, ওপোজিসনদা লৈরিবা কোংগ্রেসনা ষ্টেট অসিগী দিভেলপমেন্টগী মতাংদা ৱা ঙাংবগী মহুত্তা ঐগী ষ্টেটস ওইনা য়েংলি। মসিনা তাকপদি কোংগ্রেসনা পাল্লিবসি পৱার অদু খত্তনি হায়বনি। ষ্টেট অসিগী ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা এসেমব্লি মীখলগা মরী লৈননা কোংগ্রেসনা ঙসি ফাওবদা দিভেলপমেন্টগী ওইবা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকপা লৈত্রি। মদুগী মহুত্তা ঐগী থাক করিনো হায়বদু উৎকনি হায়না কোংগ্রেস লুচিংবশিংনা ফোঙদোক্লি। মখোয়গী ঙকচাও থেকপা মতৌ অসিনা মখোয়গী মায়থিনবা মরম ওইরক্লি হায়বসি হৌজিকসু মশানা খঙজদ্রি। কোংগ্রেস লুচিংবশিং রোয়েল ফেমিলিদগী ওইরম্বা য়াই অদুবু ঐদি ইচম চম্বা মীনাই অমগুম্বনি, ঐগী থাক লৈজদে হায়রি।

হৌখিবা মতমদা কোংগ্রেসনা ঐবু অনেম্বা থাক্কী মীনি অমদি লুখাক কোমদা হিংগদবা মীওইনি হায়না করেম্নদুনা লাক্লি। মখোয়না ঐগী মরমদা অথিবা ৱাহৈ কয়া ঙাংলবসু মদুদা ঐনা থওইনা তাশিল্লুবা লৈতে। কোংগ্রেসকী ওইনসু থাক নাইবগী ৱাখল্লোন থাদোক্লগা দিভেলপমেন্টগী মতাংদা ৱা ঙাংবনা ওইনা অফবা ওইগনি। সিট ১৮২ লৈবা গুজরাট এসেমব্লি মীখল অসি মথং থাগী ১ অমসুং ৫ দা পাঙথোক্কদৌরিবনি। মসিদা গুজরাটকী মীয়াম্না চহী কয়াগী মমাঙদগী পৱার শীন্নরকখিদ্রবা কোংগ্রেসনা অমুক হন্না পৱার পায়গনি হায়না ফোঙদোক্লিবা অসি অঙকপনি। গুজরাট মীয়ামগী অরাম খৌরাংবা কোকহন্নবগীদমক পায়খৎলকখিবা নর্মদা প্রোজেক্টকী মায়োক্তা লৈবী নুপী এক্তিভিষ্ট অমবু কোংগ্রেসনা মখোয়গী খোঙচৎ অদুদা তরাম্না ওক্লি। মসি মখোয়গী অশেংবা মশকনি হায়রি।

# ‘মথং থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা গুজরাট মীখলদা কোংগ্রেসনা সিট ১২৫ মায় পাকপা ঙমগনি’



সুরট, নবেম্বর ২১ (এজেন্সী) :
মথং থাগী ১ অমসুং ৫ দা পাঙথোক্কদৌরিবা সিট ১৮২ লৈবা গুজরাট এসেমব্লি মীখলদা কোংগ্রেসনা য়ামদ্রবদা সিট ১২৫ দা মায় পাক্লবা য়ানা লৈ হায়না রাজস্থানগী চীফ মিনিষ্টর অসোক গেলোটনা ফোঙদোরকখিবা লোয়ননা অথুবা মতমদা কোংগ্রেসনা বি জে পিবু মায়থিবা পীদুনা মীয়াম্না য়াবা কোংগ্রেসকী লৈঙাক অমা শেল্লগনি হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা কোংগ্রেস লুচিংবা অসিনা পাউমীশিংগী মমাঙদা ৱা ঙাংলদুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা গুজরাটতা লৈরিবা মীয়াম্না ষ্টেট অসিদা মতম শাংনা লৈঙাক পায়দুনা লাক্লবা বি জে পিগী কা হেনবা থবক থৌওং কয়া অদু পেন্নদ্রে হায়বসি মীয়াম্না হেন্না খঙনরবা ৱাফম অমনি। বি জে পি থবক তৌবা মতমদা অচান মীরাই নাইনা অমদি ঐগী মীগী হায়বা পার্টিনি। মসিনা মরম ওইরগা পার্টি অসিগী কেন্দিদেটশিংদা টিকেট পীবগী মতাংদা চরাংনবা কয়া থোক্লি।

অমরোমদা, মালেম পুম্বদা চৈথেং পীখিবা কোভিদ-১৯ পেন্দামিককী মতমদা বি জে পিনা ফন্দ কয়া অরানবা মওংদা শীজিন্নখি। ওপোজিসনন্না ফন্দশিং অদুগী মতাংদা হঙলুরবসু ঙসি ফাওবা পাউখুম ফংবা ঙমদনা লৈরি। মীয়াম্নসু সেন্টরদগী কায়থরকখিবা য়াম্লবা ফন্দশিং অদুগী মতাংদা অশেংবা মরী মখোঙ খঙহন্নবা তকশিন্দুনা লাক্লি। গুজরাট খক্তা নত্তনা সেন্টর অমদি বি জে পিনা লৈঙাক পায়বা ষ্টেটশিংদা কোভিদ-১৯ পেন্দমিককা মরী লৈননা য়াম্লবা শেনফম কয়া অরানবা মওংদা শীজিন্নখি। মসিদগী হেন্দোক্তুনা গুজরাটতা হন্দক্তা থোকখিবা য়াম্না লায়বক থিবা মোর্বি থোং তৎপগী থৌদোক্তা মরু ওইনা চেন্নরিবা মীওইশিং ফাগৎতুনা চৈরাক পীবগী থবক হৌজিক ফাওবদা পায়খৎপা লৈত্রি। হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট এসেমব্লি মীখলগা মরী লৈননা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ য়াম্না তোয়না ষ্টেট অসিদা লাক্তুনা মীয়ামগী রেল্লি কয়াদা শরুক য়ারি। অদুবু মোর্বি থোং তৎপগী থৌদোক অদুগী মতাংদদি ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকপা লৈত্রি। মসি গুজরাট মীয়ামগী ওইনদি খ্বাইদগী হেন্না লাইবক থিবনি হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা কোংগ্রেসকী হান্নগী প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা গুজরাট মীখলগা মরী লৈননা ষ্টেট অসিদা লাক্তুনা পব্লিক রেল্লিশিংদা ৱা ঙাংলদ্রিবা অসি ভারত জোরো যাত্রাগী খোঙচৎতা হেন্না মিৎয়েং থম্বননি। রাহুল গান্ধীনা ষ্টেট অসিদা লাক্তুনা ইলেক্সন রেল্লিশিংদা ৱা ঙাংদ্রবসু অকায়বা লৈতে। ষ্টেট ষ্টেটশিং ফাওদুনা মহাক্না চৎলিবা খোঙচৎ অসিমক গুজরাটকী মীয়াম্না মরুওইনা লৌরি। অদুবু খোঙচৎ অসিগী মরক্তা মহাক্কী অকোম্বা মতম য়েংলগা ঙসি নত্রগা হয়েং ষ্টেট অসিদা লাক্তুনা মহাক্কী ৱাখল্লোনদা ফাওরিবা অনিংবা অপাম্বশিং অদু মীয়াম মমাঙদা শোয়দনা ফোঙদোক্লরগনি হায়রি।

# মাওইষ্টকী বোম লাংদা মীওই ১ শিরে

চাইবাশা, নবেম্বর ২১ (এজেন্সী) :
জরখন্দগী ৱেষ্ট সিংভুম দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা মফম অমদা মাওইষ্টশিংনা প্লান্ট তৌদুনা থম্লম্বা আই ঈ দি অমা পোকখায়বগী থৌদোক্তা মশাগী চহী ৪৫ রোম শুরবা মীওই অমা শিখ্রে হায়না পুলিসকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

পুলিসকী রিপোর্ট মতুংইন্না থৌদোক অসি ঙরাং তোনতো এরিয়াদা লৈবা রেঙ্গ্রাহাতুং ভিলেজতা থোকখিবনি। থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা লোকল ভিলেজর অদুগী মমিং চতন কোদা কৌই হায়বা খঙবা ঙমখ্রে। মহাক উমংদা শিং থিনবা চৎপদা লায়বক থিবা থৌদোক অদু থোকখিবনি। বোম পোকখায়বদগী শোক্লবা কোদাবু মনাক নক্লা লৈরম্বা মীওই খরনা চাইবাসাদা লৈবা সদর হোস্পিটাল পুখৎতুনা লায়কন্নখি। অদুবু কা হেন্না শোকখিবনা মরম ওইরগা মহাক লায়কন্নবা ঙমদনা শিখিবনি হায়রি।

বোম পোকখায়বগী থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুং সি আর পি এফ অমসুং জরখন্দ পুলিসকী অপুনবা টিম অমনা দিষ্ট্রিক্ট অদুগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিহুম্বগী থবক চথখ্রে। মাওইষ্টনা প্লান্ট তৌরম্বা বোম অদু সিক্যুরিটি পর্সনলশিংদা অশোক অপন থোকহন্নবা ওইরম্বা য়াই হায়না থাজনরি। বোম পোকখায়হন্দুনা মরাল লৈজদ্রবা মীওই অমা শিহনখিবগী থৌওং অদুবু পাংদবগী থৌওংনি হায়না পুলিস ওফিসর অমনা ফোঙদোরক্লি।

# নরেন্দ্র মোদিগী মমিং লাউরিবা মীওইশিং নোংমদি এ এ পিগী অশেংবা থৌমী শোয়দনা ওইরক্কনি

ন্যু দেল্লি, নবেম্বর ২১ (এজেন্সী) :
মথং থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা গুজরাট এসেমব্লি মীখলগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী রেল্লি অমদা আম আদমি পার্টিগী নেসনল কনভিনরসু ওইরিবা দেল্লিগী চীফ মিনিষ্টর আর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা ৱা ঙাংলিঙৈদা মীওই খরনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিবু শৌগৎপগী খোল্লাউশিং লাউরকখি। খোল্লাউ অদু তারবা মতুং আর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা ফোঙদোকখিবদা ঙসি নরেন্দ্র মোদিগী মায়কৈদা লেপ্পুনা মহাকপু থাগৎপগী খোল্লাউ লাউরিবা মীওইশিং অসি মতম খরগী মতুংদা এ এ পিগী অশেংবা থৌমী ওইরগদবা ঙাক্তনি হায়না নোকফেৎ তৌনা ফোঙদোরক্লি।

থৌওং অসি গুজরাটকী পঞ্চমল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচন্না লৈবা হলোলদা থোকখিবা থৌদোকনি। মফমদুদা পাঙথোকখিবা রোদ সো অদুদা ৱা ঙাংলদুনা আর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা গুজরাটতা এ এ পিনা পৱার পায়রবদি পার্টি অসিনা মীয়ামদা পীরিবা থাজবশিং থবক্তা ওন্থোক্কনি। এ এ পিনা পৱার পায়রবদি ষ্টেট অসিগী ওইনা লৈরিবা অঙাং ময়াম অসিগী অফবা স্কুলশিং লিংখৎকনি অমদি ইলেক্ট্রিসিটি লেম্না ফংহনগনি। মসিদা নত্তনা বি জে পিনা মতম শাংনা ষ্টেট অসিগী মীয়ামদা ফংহনফম থোকপা কয়া ফংহন্দনা লাক্লিবা অদুসু এ এ পিনা ফংহনবা ঙমগনি। পঞ্জাব অমসুং দেল্লিদা লৈরিবা এ এ পিগী লৈঙাক্না মীয়ামদা পীরিবা খুদোংচাবশিং গুজরাটকী মীয়াম্না হেন্না খঙনরবা ৱাফমনি। এ এ পিনা লুচিংবা লৈঙাক লাকখিবদগী পঞ্জাবকী ওইনসু হান্নগী অরিবা পেন্সন স্কিম অমুক চৎনহনখ্রে। মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক পায়খৎলক্লিবা থবক থৌরম কয়া অসিবু মশাগীতা খনবা বি জে পিনা মতম পুম্বদা থিংনবা হোৎনরি হায়রি।

# একনাথ সিন্দেগী সিভ সেনা ফেক্সননা গভর্ণরগী ৱাফম য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি



মুম্বাই, নবেম্বর ২১ (এজেন্সী) :
সত্রপতি সিবাজি মহারাজকী মতাংদা মহারাষ্ট্রগী গভর্ণর ভগট সিংহ কোসিয়ারিনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিং অদুবু একনাথ সিন্দেনা লুচিংবা সিভ সেনা ফেক্সনগী এম এল এ অমনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা মহাকপু ষ্টেট অসিদগী লৌথোক্লবা দিমান্দ তৌরক্লি।

সিভ সেনা এম এল এ সঞ্জয় গেকৱাদনা সত্রপতি সিবাজি মহারাজকী আইদোলোজি অদু মতমগা চুন্নদ্রবা অরিবা আইদোলোজিনি হায়না গভর্ণর ভগট সিংহনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদু ষ্টেট অসিগী মীয়ামদা ইকায়বা পীবনি। মরম অদুনা রুলিংদা লৈমিন্নরিবা বি জে পিনা গভর্ণর অসিবু ষ্টেট অসিদগী পুথোকখিগদবনি। মহাক্কী ৱাহৈ অদুনা মহারাষ্ট্রগী মীয়ামদা পেন্দবা অমদি খোয়রাং খোয়শাওনবা কয়া পোকহল্লে। ১৭ শুবা চহী চাদা মরাথা রুল্লর ওইনা লৈরম্বা সত্রপতি সিবাজিনা হোৎনরম্বা কয়া অদু নাথৈরম্লগা মহাকপু অরিবা মতমগী আইকোন অমনি হায়না ফোঙদোকখিবা অদু লাইবক থিবনি। মরম অদুনা ষ্টেট অসিগী লুচিংবা অমসুং মীয়ামবু ইকায়বা য়াম্না তোয়না পীরিবা গভর্ণর অসি সেন্টরদা লৈরিবা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা অথুবা মতমদা লৌথোকখিগদবনি হায়রি।

অমরোমদা, উধব থাক্রেনা লুচিংবা সিভ সেনা ফেক্সন, কোংগ্রেস অমসুং সরদ পৱারগী নেস্নেলিষ্ট কোংগ্রেস পার্টিনা গভর্ণর ভগট সিংহগী ৱাফম অদুগী মায়োক্তা অমত্তা ওইনা পেন্দবা ফোঙদোরক্লি। উধব থাক্রেগী সিভ সেনা ফেক্সননা গভর্ণরগী ৱাফম অদুবু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা হীরম অসিগী মতাংদা মহারাষ্ট্রদা লৈরিবা বি জে পি অমদি সিভ সেনা ফেক্সনগী চুংশিন্নবা লৈঙাক অসিনা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোক্তনা লৈরিবা অসি লাইবক থিবনি। মহারাষ্ট্রগী চীফ মিনিষ্টর একনাথ সিন্দেনা হীরম অসিগী মতাংদা তুমিন্না লৈশিল্লিবা অসি মশাগী আইদোলোজি ঙাক্লা চত্তে হায়বগী ময়েক শেংবা খুদমনি। মরম অদুনা মহাক মশা চীফ মিনিষ্টরগী ফমদগী মশানা খঙনা পোত্থাগদবনি হায়না দিমান্দসু তৌরি। পনবা য়াবদি, কোংগ্রেসকী হান্নগী প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা ফ্রিদম ফাইটর সাভর্করবু বি জে পি অমসুং আর এস এসকী আইদোলনি হায়রুবগীদমক সিভ সেনানা য়ানিংদবা ফোঙদোকপসু লৈখ্রবনি।

# দলিট নুপী অমা ঈশিং থক্লুই হায়বগীদমক ৱাটর টেঙ্ক অমা শণ ময়ুংনা শেংদোকখ্রে



বেঙ্গলুরু, নবেম্বর ২১ (এজেন্সী) :
কর্নাটাকাগী খুঙ্গং অমদা লৈবা ঈশিং টেঙ্ককী অমদগী দলিট নুপী অমনা ঈশিং থক্লুই হায়বগীদমক মশানা মশাবু অৱাংবা থাক্কী মীওইশিংনা হায়জবা খরনা টেঙ্ককী অদুগী ঈশিং লোয়না থাদোক্লবা মতুং ষণ ময়ুং শীজিন্নদুনা টেঙ্ককী অদু চামথোকখ্রে হায়রি।

থৌদোক অসি থা অসিগী ১৮ দা থোকখিবনি। নুমিৎ অসিদা সেদ্যুল কাষ্টতা চনবী নুপী অমনা কর্নাটাকাগী চমরসনগর দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা হেগোটরা ভিলেজতা লুহোংবগী থৌরম অমা য়াওরুরবা মতুং মনাক নক্লা লৈবা ঈশিং টেঙ্ককী অমদগী ঈশিং থক্লুখিবনি। মদুদা অপ্পর কাষ্টকী মীওইশিংনি হায়জবা খরনা ঈশিং টেঙ্ককী অদুদা য়াওরল্লিবা ঈশিং খুদিংমক থাদোক্লবা মতুং ষণ ময়ুংনা টেঙ্ককী অদু চামথোকখিবনি। ষণ ময়ুং অসি মীওই খরনদি খ্বাইদগী হেন্না শেংবা পোৎশকনি হায়না লৌনরি হায়রি।

অমরোমদা, লোকল জুরিদিক্সনল তসিলদার অমনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না ঈশিং টেঙ্ককী অদু শিংনান্না তেংথোক্লল্লে হায়বদি চুম্মী। অদুবু মদু ষণ ময়ুংনা চামথোকখিবরা হায়বদুদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা ঈশিং থক্লম্মী হায়রিবা দলিট নুপী অদু মশক খঙবা ঙমদ্রি। মহাক্কী মশক অমদি লৈফম খঙদোক্লুবা হোৎনরি। অদুগী মতুং থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা মীওইশিংগী মথক্তা কেস রেজিষ্টর তৌগনি হায়রি।

# পুং ২৪ দা কোভিদকী অনৌবা কেস ৪০৬ থেংনখি

ন্যু দেল্লি, নবেম্বর ২১ (এজেন্সী) :
লৈবাক অসিদা হৌখিবা পুং ২৪ দা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎকী অনৌবা কেস ৪০৬ থেংনখিবগা লোয়ননা হায়রিবা মতম অসিদা লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা মীওই ১২ শিহনখি হায়না য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী রিপোর্ট অমনা হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না ঙসি থেংনখিবা কেস মশিং ৪০৬ থারগা হৌজিক ফাওবগীওইনা লায়না লায়চৎ অসিনা লৈবাক অসিদা শোকহনখিবা অপুনবা মী মশিং ৪,৪৬,৬৯,৪২১ শুখ্রে। অদুম ওইনমক এক্টিব কেস মশিংদি ৬,৪০২ দা হন্থরকখ্রে। অদুগা ঙসি লাইচৎ অসিনা শিহনখিবা মী মশিং ১২ থারগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ না শিহনখিবা মী মশিং ৫,৩০,৫৮৬ শুখ্রে হায়রি। লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ রিকোভরি রেটনা চাদা ৯৮.৮০ লৈরি। অদুগা এক্টিভ কেসকি চাংনা চাদা ০.০১ ওইরি।

ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবা মী মশিং হৌখিবা কুমজা ২০২০ গী ওগষ্ট ৭ ফাওবদা লাখ ২০ হেনখি। ওগষ্ট ২৩ দা লাখ ৩০ য়ৌখি। অদুগা সেপ্তেম্বর ৫ লাখ ৪০ য়ৌখিবগা লোয়ননা থা অসিগী ১৬ তা লাখ ৫০ হেনখি। কুমজা ২০২০ দা লৈবাক অসিদা কোভিদনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীখি। চহী অসিগী ওক্তোবর থা লোয়রকপা ফাওবদা কোভিদ-১৯ না শোকহনবা মী মশিং লাখ ৯০ হেনখি। কুমজা ২০২০ দা লৈবাক অসিদা কোভিদনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীখি। চহী অসিগী ওক্তোবর থা লোয়রকপা ফাওবদা কোভিদ-১৯ না শোকহনবা মী মশিং লাখ ৯০ হেনখি। মমাং চহীগী দিসেম্বর ১৯ ফাওবদা মীওই ক্রোর অমা হেন্না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবনি হায়রি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈবাক অসিদা পুন্না ভেক্সিন দোজ ২১৯.৮৬ ক্রোর কাপখ্রে হায়রি।

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAWOMBUNG-IMPHAL EAST**

**Ref :- Mutation Case No. 695/SDC/SWG of 2022.**

(Parties)

1) Yendrembam Mani Singh S/o (L) Tomba Singh of Khurai Kongpal Laishram Leikai. (An area of 0.64 acre on the northern side)
2) Yendrembam Romen Singh S/o (L) Chandra Singh of Khurai Kongpal Laishram Leikai. (An area of 1.30 acre on the southern side)

-Petitioners

-Vs-

(Late Pattadar)

Yendrembam Tomba Singh S/o (L) Amuba Singh of Kongpal Laishram Leikai. -Opposite Parties

**/ NOTICE**

Sawombung, the 21st Nov. 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি সওম্বুং তহশিল গী খুল নং ৩৪-সঙ্গোমসং পাট্টা নং ১৬৬ (অরিবা) ২১ (অনৌবা) দাগ নং ১০৭৬ মোট এরিয়া ১.৯৪ একর চাওবা ফৌরেল লৌফমগী পট্টাদার য়েনদ্রেমবম তোম্বা সিংহ অসি মৃত ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারিশিং অসিনা মৃত্তু পাট্টাদারগী মিং কক্লগা মখোয়গী মমিংদা নামা পানবিরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিং আপত্তি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অইবা চে ওইনা আপত্তি পীরবা য়াগনি, মতুং লাকপা চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চখুরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Sawombung, Imphal East

HL-P/5031/22

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**SECRETARIAT: HEALTH DEPARTMENT**

**/NOTIFICATION**

Imphal, the 21st of November, 2022

No. MED-301/2/2021-HS-HEALTH-Part(10): In pursuance of the State Cabinet decision taken on 13/10/2022, it is hereby notified for information to all concerned, that applications are invited for appointment to the posts of Assistant Professor for various Departments at Churachandpur Medical College, on regular basis, as per details below:

| Sl. No. | Department | Number of posts |
|---|---|---|
| 1 | Anatomy | 1 |
| 2 | Biochemistry | 1 |
| 3 | Pathology | 1 |
| 4 | General Medicine | 1 |
| 5 | Anaesthesiology | 1 |
| 6 | Radiodiagnosis | 1 |
| 7 | Emergency Medicine | 1 |
| Total | | 7 |

2. **Eligibility Criteria:**

a) **Essential Academic Qualification**: As per **Teachers Eligibility Qualifications in Medical Institutions Regulations, 2022** notified vide NMC Notification No. NMC/MCI-23(I)/2021-MED dated 14th February, 2022 and as amended from time to time.

b) **Age:** The applicant shall not be more than 50 years of age as on 01/11/2022 relaxable for a period of 5 years for SC/ ST candidates, 3 years for OBC candidates and 10 years for Person With Disabilities candidates. In addition to the above relaxation, Upper age limit is relaxable for candidates serving in a recognised Medical College/ State Government for a period of 5 years.

4. **Scale of Pay:**
Rs.15600-39100 + GP Rs.6600 (Pre-revised) and Pay Level 13 in Pay Matrix of RoP, 2019
5. The applicant must possess a Postgraduate degree or equivalent qualification included in any one of the schedules to the Indian Medical Council Act,1956 (102 of 1956 and National Medical Commission Act, 2019. They must also be registered in a State Medical Register or National Medical Register, except in the case of teachers with non- medical qualifications.
6. **Application Form :** Willing and intending candidates may download the application form from website www.cmcmanipur.nic.in. The duly filled in Application Form along with the prescribed fees should be submitted to the **Office of the Director, Churachandpur Medical College Churachandpur**.
7. **Application Fees:** Rs. 1000/- for UR/OBC Category and Rs. 500/- for SC/ST/PWD category respectively by cash.
8. Last Date of Form Submission: **upto 4:00 P.M. of 8th December, 2022.**
9. Scheduled date, time and venue for Interview/Viva voce shall be notified on a later date.
10. For any queries please contact:
Dr. Sanaton Ahanthembi.
Dean (Academics),
1st Floor Dean's Office
CMC, Churachandpur.
e-mail : drsanatonahanthembi@gmail.com

Sd/-Dr. Yumnam Suraj Singh
**Deputy Secretary (Health)**
**Government of Manipur.**

HL-P/7909/22

**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**SECRETARIAT: HEALTH DEPARTMENT**

**/NOTIFICATION**

Imphal, the 21st of November, 2022

No. MED-301/2/2021-HS-HEALTH-Part(11): In pursuance of the State Cabinet decision taken on 13/10/2022, it is hereby notified for information to all concerned, that applications are invited for appointment the posts of Associate Professor for various Departments at Churachandpur Medical College, on regular basis, as per details below:

| Sl. No. | Department | No. of posts |
|---|---|---|
| 1 | Anatomy | 1 |
| 2 | Physiology | 1 |
| 3 | Biochemistry | 1 |
| 4 | Pharmacology | 1 |
| 5 | Pathology | 1 |
| 6 | Microbiology | 1 |
| 7 | General Medicine | 2 |
| 8 | Paediatrics | 1 |
| 9 | Dermatology | 1 |
| 10 | Psychiatrics | 1 |
| 11 | Respiratory Medicine | 1 |
| 12 | General Surgery | 2 |
| 13 | Orthopaedics | 1 |
| 14 | Anaesthesiology | 2 |
| 15 | Radiodiagnosis | 1 |
| 16 | Emergency Medicine | 1 |
| 17 | PMR | 1 |
| Total | | 20 |

2. **Eligibility Criteria:**

a) **Essential Academic Qualification**: As per **Teachers Eligibility Qualifications in Medical Institutions Regulations, 2022**, notified vide NMC Notification No. NMC/MCI-23(I)/2021-MED dated 14th February, 2022 and as amended from time to time.

b) **Age:** The applicant shall not be more than 50 years of age as on 01/11/2022 relaxable for a period of 5 years for SC/ ST candidates, 3 years for OBC candidates and 10 years for Person with Disabilities candidates. In addition to the above relaxation, Upper age limit is relaxable for candidates serving in a recognised Medical College/ State Government for a period of 5 years.

3. **Scale of Pay**:
Rs.37400- 67000 +GP Rs.8700 (Pre-revised) and Pay Level 15 in Pay Matrix of RoP, 2019.
4. The applicant must possess a Postgraduate degree or equivalent qualification included in any one of the schedules to the Indian Medical Council Act,1956 (102 of 1956 and National Medical Commission Act, 2019. They must also be registered in a State Medical Register or National Medical Register, except in the case of teachers with non- medical qualifications.
5. **Application Form :** Willing and intending candidates may download the application form from website www.cmcmanipur.nic.in. The duly filled in Application Form along with the prescribed fees should be submitted to the **Office of the Director, Churachandpur Medical College.**
6. **Application Fees:** Rs. 1000/- for UR/OBC Category and Rs. 500/- for SC/ST/PWD category respectively by cash.
7. Last Date of Form Submission: **upto 4:00 P.M. of 8th of December, 2022**
8. Scheduled date, time and venue for Interview/Viva voce shall be notified on a later date.
9. For any queries please contact:
Dr. Sanaton Ahanthembi.
Dean (Academics),
1st Floor Dean's Office
CMC, Churachandpur.
e-mail: drsanatonahanthembi@gmail.com

Sd/-Dr. Yumnam Suraj Singh
**Deputy Secretary (Health)**
**Government of Manipur.**

HL-P/7910/22